# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-04-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৭-০৪-২০২৫, নোংমাইজিং)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হৌখিবা চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিদা লম কয়াদা হোৎনদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরা ফগৎহন্না অমসুং লৈবাক শিনবা থুংনা শমহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ঙসি অয়ুক অঙনবদা পোরতুগেলগী কোনুং লিসবোনদা থুংখ্রে।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখ্রে। মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-থৌবাল জিলাগী হৈরোক পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা হৈরোক পার্ট থ্রি উয়োক চিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খূৎশু খুৎলাই কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা খূৎশু খূৎলাইশিং অদগী মনুংদা-মেগজিন য়াওবা

এস.এল.আর অমা, টুয়েল্ভ বোর শিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, তিয়র স্মোক সেল ২০, নোংমৈ মরু কয়া মরুম য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা পাওরাবী খুলদগী পোইন্ট থর্তি টুগী পিষ্টোল অমা, ইন্সাস মেগজিন অমা, তিয়র স্মোক গ্রেনেদ অমা য়াওনা নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা শামুশঙ শান্তিপুরদগীসু খূৎশু খুৎলাই কয়া ফাগৎখি। খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা এস.এল.আর নোংমৈ অমা, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রিগী রাইফল অনি, এস.বি.বি.এল অনি, পোইন্ট থর্তি টুগী কন্ট্রি মেদ পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, নোংমৈ মরু কয়ামরুমগা লোয়ননা অতৈ পোখায়বা য়াবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

**থৌবাল(এল) ঃ** থৌবাল জিলাগী লিল্লোং বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা মফমশিংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেট এ.সুবাসনা জিলা অসিনা কোনবা মফমশিংদা বি.এন.এস.এসকী সেক্সন ১৬৩ গী সব সেক্সন ৱানগী মখাদা মীওই ৫ দগী হেন্না পুনবা অমসুং অশোক অপন থোকহনবা য়াবা খূৎশু খূৎলাইশিং পুবদা অথিংবা থল্লে।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেট থৌবালগী চেরোল অমদা হায়-লিলোং শম্বুখোঙ মমৈদা ঙরাং নুমিদাং মীওই অমগী য়ুম মীয়ামা অমাং অতা থোকহল্লম্বা থৌদোক্কা মরি লৈননা চেকশিল থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

**ডে(এল) ঃ** মালেমগী হকশেলগী নুমিৎ ঙসি হকচাং ফনা হৌবনা তুংগী আশা লৈবা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোক্লগনি। দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিস অমসুং নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা পুন্না শিনবা থৌরম অসি ইম্ফাল হোতেলদা পাঙথোক্কনি হায়রি। থৌরম অসিদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বালগী কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি শ্রী সুমন্ট সিংহ্সু শরুক য়াগনি হায়রি।

**কংগ্রেস(এল) ঃ** ময়াং ইম্ফাল ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শেক্মাইজিনদা দিলিমিতেসনগী মতাংদা ঙরাং মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি কে.ঐচ.রতন কুমার অমদি এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কে.ঐচ.দেবব্রট্টনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**লম্বী(এল) ঃ** থৌবাল জিলাগী হৈরোক বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক্তগী শিখোঙ বজার ফাওবগী কিলোমিতর ৭-৮ শাংবা লম্বী অমসুং ইচং খুনৌদগী থোকচোম ফাওবগী লম্বী শেমজিল্লিবা অসি এম.এল.এ থোকচোম রাধেস্যামনা ঙরাং য়েংশিনখ্রে।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হৌখিবা চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা হোৎনদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরা ফগৎহন্না অমসুং মাইকৈ মরিদা শমহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং তামিল নাদুগী রামেস্বারমদা পম্বান ভর্তিকেল লিফট সি ব্রিদস শঙ্গাখ্রে অমদি লম্বী অমসুং রেলগী লূপা কোতি লিশিং ৮,৩০০ গী প্রোজেক্ট শেমগৎনবা যাত্রাসু হুনখ্রে। রামেস্বারমদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শ্রী মোদিনা হায়-তামিল নাদুগী চাউখৎলকপনা লৈবাক অসিগী চাউখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**--সাউন্দ বাইট--মোদি**

শঙ্গারিবা সি ব্রিদস অসিনা লল্লোন ইতিক, টুরিজমনচিংবা লমশিংদা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি। মীওই কয়াদসু থবক পীবা ঙমহল্লগনি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহী ১০ অসিদা কেন্দ্র সরকারনা কন্না হোৎনবদগী শ্রী লঙ্কানা ফাখিবা ঙামী লিশিং ৩,৭০০ থাদোকপা ঙমখ্রে। হন্দক চহী খক্তদা ঙামী ৬০০ হেন্না লৈবাক অদুদগী থাদোকহল্লকখি।

**মুরমুঃ**রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ঙসি অয়ুক অঙনবদা পোরতুগ্যলগী কোনুং লিসবোনদা থুংখ্রে। রাস্ত্রপতি নুমিৎ মরিনিগী খোচৎতা পোরতুগ্যল অমসুং স্লোভেকিয়াদা চৎপনি। অহানবা খোঙচৎতা পোরতুগ্যলগী রাস্ত্রপতি মার্সেলো রেভেলো দি সুজাগা উনদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রি লিয়ুস মোন্তেনেগ্রো অমসুং সংসদকী অধক্ষা জোস পেদ্রো এগুয়্যের ব্রানকোগসু উনগনি। রাস্ত্রপতিনা পোরতুগ্যলদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু উনরবা য়াই হায়রি। মহাক্কী অনিশুবা খোঙচৎতা থা অসিগী ৯ দা স্লোভেকিয়াদা চৎকনি। মফম অদ্দা মহাকা রাস্ত্রপতি পিতর পেল্লে গ্রিনিগা উনগনি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা, টেরোরিষ্টশিংনা অৱাবা পীরিবা জম্মু লমদমদা অথুবা মতমদা তংদু লৈতোবা ফীভম পুরক্লগনি হায়না বি.জে.পিগী এম.এল.এ অমসুং মকোক থোংবা দলগী লুচিংবশিংদা থাজবা পীখ্রে। ত্রিকুতা নাগরদা লৈবা বি.জে.পিগী হেদক্বাতরসতা বি.জে.পিগী এম.এল.এ ২৮ গা গৃহ মন্ত্রিগা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডা.জিতেন্দ্র সিংহসু য়াওখি। শ্রী শাহনা ঙসি নুংথিল জম্মু রাজ ভবনদা জে.কে.পুলিসকী লৈখিদ্রবা মথৌনা ফরবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উনগনি। শ্রী শাহনা কথৱা জিলাগী অন্তর জাতিগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা আউট পোষ্টতা চৎকনি।

**ক্রিকেটঃ** রামাদন রিনিগেদসনা অহানবা ইবুধৌ আরোং নিংথৌ অমসুং ইবেন্দ্রৌ শন্দ্রিক চনিং খোম্বী ট্রোফি লৌখ্রে। ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা রামাদন রিনিগেদসনা এ.সি.এ.অথোকপমবু রন ৫৮ দা মাইথিবা পীরমখি। ঙরাং লোইশিনবগী থৌরমদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ সুরজ কুমার ওক্রম শরুক য়াখি।

**ওকপাঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্তন এসোসিএসননা রাজ্য অমসুং জাতিগী থাক্তা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা টুরনামেন্টশিংদা তকমান লৌরকপা শান্নরোইশিং ঙরাং ককচিং লমদোংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মখোয়বু তরামা ওকখ্রে। এসোসিএসন অসিগী ফাউন্দর মেম্বরশিংসু ওকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ৱাকফ বিলগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চংশিনখিবা লোয়ননা অতৈ তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

পোকফম পাউচেদা-মণিপুরদসু ৱাকফ বিলগী মায়োক্তা ইহৌ কনখৎলক্লি, বি.জে.পি মাইনোরিতি মোর্চাগী লুচিংবা অস্কার অল্লিগী ময়ম মৈ থাখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক ইচেল এক্সপ্রেস অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা মমা মপা অমসুং অহলশিংবু ঙাক্লৌ পীনবা শেমখিবা রুল, মরি লৈনবা ত্রিব্যুনেলশিং শেম্না লোইদবনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। শিঙ্গল য়ুস প্লাস্তিক দ্রাইভ

মাই পাক্কদৌরিব্রা? ফৈ হায়বা খঙলবসু হান্নসু মাই পাকখিদ্রবনা ইথা থাজনদ্রি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ভারতিয়া জনতা পার্তিগী ৪৬ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, বি.জে.পি লৈঙাক লৈত্রিবৈঁদগী মণিপুরগী শক্তম কাইরল্লে হায়না এ.সর্দানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা কেন্দ্র সরকারনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগী ওইনা লূপা কোতি ২১৭ কী শেনফম থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিশিংনা কোম্সা খুলদা চথখিবা থৌওংদা নাগা লুপ কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোকপগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, মণিপুর মেল অমসুং পীপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা দি.এম.সি.সিনা মৈতৈগী শেংলবা লাইফম্লেনশিং নিংতমা খুরুমহন্নবা পি.এমদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

অমিত শাহনা হাই কোর্টকী দিরেক্সনদগী ইরাং থোরকখিবনি হায়রক্লিবসি অরানবনি, গভর্ণর অমসুং চিফ মিনিষ্টর মকা লান হৌরকপগী পনখিবা মরমশিং অদুদি অরানবা ওইরগদ্রা হায়না এম.টি.য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম চুরামনিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইনা চিকপদগী চুরাচান্দপুরদা মীওই অহুম লৈখিদ্রে, ৭৪৯ লাইকন্নরি হায়বা পাউ ইচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তেরি।

গানফিড মেলদা কোন্সারমদা লৈবা লিয়াংমাই নাগা খুলগী লুচিংবশিংদা চথুরকখিবা এত্তেক্টপু তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও লুচিংবশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মিণিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্স(এম.ঐচ.এ)গী মখাদা থৌশিল মখাদা মৈতৈ অমসুং কুকি জো কাংলুপশিং দেল্লিদা উনদুনা ৱারি শান্নখিবা অমসুং চপ চাবা ৱারেপ লৌরকপা ঙমখিদ্রে হায়বা পাউ তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**